ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ২০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩ শুবা চহী, ০২৩শুবা মশীং

# পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্কী মীখল

## *অরানবা থৌওং চথরকখিবনা দিমোক্রেসিগী মশক থীহল্লে*

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা লোক সভাগী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি তাঙ্কক অনীরক্তা লোইশিনখ্রে। এপ্রিল ১১ দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং শগোলশেন নুমীৎতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা তাঙ্কক্তনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোকখি। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্নি হায়রিবা ইন্দিয়াগী য়াম্না মরু ওইবা মীখল অসিদা অরানবা থৌওং অমত্তা চৎথদনবা মায়কৈ কয়াদগী লাউনরকখ্রবসু পামদবা থৌদোক খরা থোকখিবগী রিপোর্ট লৈরিবসি লাইবক থীবনি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৬/১০ ক্যামগৈ মুস্লিম সাউথ-এ দা মীওই খরনা অতোপ্পগী মহুৎ শিল্লগা ভোট থাদনবা হোৎনরকপদা উংখৎনরকপদগী ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) অকায়-অতোই থোকখি হায়রি। পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৬/২০ উরুপ মুস্লিমদসু শকখঙদবা মীওই খরনা ঈ ভি এম মাঙ-তাকহনবগী থৌদোক থোকখি। অমরোমদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলদা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা মিনিষ্টর অমনা লমজিংলগা অরানবা থৌওং চথরক্লে হায়বা ব্রাকৎ অমসু লাক্লে। অরানবা থৌওং চথখিবগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা অমুক হন্না মীখল পাঙথোকপীয়ু হায়না রিটর্নিং ওফিসরদা ফাওবা ব্রাকৎখি। নাকল অমরোমদা মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অনীগী ব্রর্কর মশেল চুম্না অব্রাই-অখুম তৌদুনা মরাল শীনবদগী হেন্দাক্তুনা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রে। লোকল টেলিভিজন চেনেল অমগী খন্ন-নৈনবা থৌরমদা শরুক য়াখিবা পোলিটিকেল পার্টি অনীগী ব্রাঙাঙলোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনরকখ্রবা মতুংদা ব্রর্কর মশেল খূৎ থোক্নরকখিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকুম্বা মাঙজিন থানা চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংদা য়েংথিনবা পোলিটিকেল পার্টি মশেল অফবা থবক তৌবদা অথোই-অহেন তান্নে। লৈবাক মীয়াম চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অমসুং ফজবা থৌশিল পুথোকপদা পার্টি মশেলগী মরক্তা অঙম তান্নে হায়বা য়াই। কদায়দগী কমদৌনা ওইরকখিবনো খঙদবা মওংদা লমদম অসিগী ওইনা পোলিটিকেল পার্টি মশেল য়েক্লবা ওইনা লৌনরকপা অমসুং অরৈবা পান্বে শীজিন্নদুনা মীখলদা মায় পাকপনা পোলিটিক্সকী মরু ওইবা পান্দমনি হায়বরোমদা চথনরকপগী মওং অমা উবা ফংলিবসি তশেংনা লাইবক থীবনি হায়বা য়াই।

হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌওং অমত্তং হায়বা তারবদি নুপীদা অহেনবা মতীক ময়াই পীবগী মওং অমা উবা ফংলিবসিনি হায়না লৌবা য়াই। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমগী পোল্লিং ষ্টেসন খূদিংমক্তা নুপী পর্সনেলশিং খক্তনা মথৌ পাঙথোকহন্দুনা অনৌবা পুব্রারী অমা শেমখিবদু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩৮ মক্তা নুপী পর্সনেলশিং খক্তনা মথৌ পাঙথোক্তুনা অনৌবা পুব্রারী অমা শেমখিবনি। মণিপুরগী পুব্রারীদা অহানবা ওইনা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলদা শরুক য়াখিবগী থৌওং অদুসু পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়বা য়াই। হন্দক্তা ষ্টেট অসিগী ভোটর লিষ্টতা মিং চনখ্রবা মতুংদা গভর্ণরনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সষ্টিট্যুয়েন্সিগা মরী লৈননা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংদোকপা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১১/৩৪ ওল্ড লম্বুলেন দদা ভোট থাদখিবনি। দিমোক্রেসিগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি হায়রিবা মীখলদা মীপূম খূদিংমক শরুক য়াগদবনি হায়বগী ব্রাখল্লোনদা মতৌ অসুম্না ষ্টেটকী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী সিটিং এম পি ডা. টি ঐচ মৈন্যনচিংবা মশক নাইবা লুচিংবশিংনা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লগসু নাকল অমরোমদা মীখলগা মরী লৈননা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি অফবনি হায়না লৌফম থোক্তে। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ফজ-ফজবা থৌশিল কয়া শেমদুনা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না লাউথোক্তুনা মীয়ামগী ভোট ফংনবা হোৎনবদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। তৌদবা য়াদবগী মওংদা মমিংতগী ওইনা থবক্তা ওন্থোক্লোইদবা ব্রাফম কয়া য়াওবা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো অমা ফোঙলগা শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতীক-ময়াইনা নম্ফুদা মায় পাক্লবা হোৎনগনি হায়রবদি চাওখৎপগী মতৌনি হায়না লৌনগদবা মান্দে। মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিসু অকোনবগী থৌওং অসিমক্নি হায়না লৌবা য়াই। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌবগী ব্রাফম নাথৈদুনা থমখ্রগা অঙম্বা পান্বে শীজিন্নদুনা মীখলদা মায় পাক্লগা লৈঙাক পায়বনা পোলিটিক্সকী পন্তুংনি হায়না লৌনরক্লবদি দিমোক্রেসিগী মশক থীহনবা নৎতনা হীরম অমত্তদা কান্নবা ফংগনি নীংদে। মীখলদা করিগুম্বা মখলগী অপনবা অমত্তা পীদনা অচুম্বা মওংদা মীয়াম্বু অকি-অখং য়াওদনা মশা-মশাগী অপাম্বা মীহুৎ খন্নবগী খূদোংচাবা ফংহনবদুনা দিমোক্রেসিগী অশেংবা ব্রাহন্থোক ওইহনফম থোকই।

## ••• এদিটরদা থারকপা চিঠি •••

# মীখলগী কুম্মৈদি লোইখ্রে, ব্রাখলগী মীৎয়েংদি লোইদ্রি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

*চহী* মঙাগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা ভোট অসিবু মীরাইরুবা য়ারিব্রা? কন্সটিট্যুসন্না পীবা ভোটিং রাইটপু ইশাগী রাইটনি খন্না নীংহন্নবা লৈতনা অপাম্বা মীরেপ্তা পীখিবা ভোট অদু মমল য়াম্না য়াম্মী। মীয়াম্না ফেষ্টিবেল ওফ দিমোক্রেসিনি হায়নসু লৌনরিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখল অসি মণিপুরগী ওইনা লোইখ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা তাঙ্কক অনী থোক্লা, আউটর অমদি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীগী মীরেপশিংগী মরাইবক ঈ ভি এম মেছিন মনুংদা লৈখ্রে। পার্লিয়ামেন্টতা মীহুৎ থানবগীদমক পার্টি অমগা-অমগা, মাগী-মাগী ওইবা অকনবা মওংদা ভোট খোম্নরম্বা, লোইবা নাইদনা ঙাঙনরম্বা, লাউনরম্বা, চৈনরম্বা, হুন্নরম্বা লোইনা পোত্থাখ্রনি। মীচম মীয়ামগী থম্মোয়বু হুমদুনা পুননবা হোৎনবদা, মালহনবা, তৌশিন্নবা কয়াশিংদু কালেনগী নুংশা মৈশা ওইরবসু ঈংথখ্রনি। অপিকপা ষ্টেট ওইজরবসু ইস্যু কয়ানা থল্লবা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদদি পার্লিয়ামেন্ট মীখল অসি য়াম্না মরু ওইরিবনি। মীয়াম্নসু অদুমক খঙনা ইশা-ইশাগী মমল য়াম্লবা ভোটিং রাইট অদু মফম চানা শীজিন্নবীরম্লগনি। হৌজিক্তি মতম খরা ঈংথরবা মতুংদা ভোট হায়দোকপা অমুক ঙাইনরনি, মীয়ামগী পাউখোল্লোয় ওইগদৌরিবা মীশক খঙনীংলনি।

ষ্টেট অসিগী প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানা মীখলগীদমক মরীক চুম্না নৈনবা, অফবা অচংবা মীরেপ খনবদা লৌরক্লিবা থৌদাং অসিসু অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। মীরেপ-মীহুৎ কয়া উনদুনা মীচম মীয়ামদা পূক্নিং লৌশিং ওইনবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়া শীনবীরকপগীদমকসু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। অসিগীসু মথক্তা মতমগী অহোংবগী মতুং ইন্না সোসল মিদিয়াশিংদসু অফ-ফত্ত কয়াগী ব্রাখল্লোন ফোঙদোক্নবগী প্লেটফোর্ম কয়া অমসু য়াওরক্লিবনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা পূন্না য়েংবদা ইলেক্সন কম্মিসনসু থোইদোক্লা মথৌ নিংথিনা তৌই হায়না লৌবা য়াই। মীয়াম্বু অরানবা মওংদা লমজিংবা য়াহনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিসু থাগৎনীংঙাইনি। হৌজিক্তি অমনবু ওইরো, অমনবু ওইরো পার্টি অমগী মায় পাক্লবা মীরেপ অদুনা ঙাঙখিবা-শকখিবা ব্রাশকশিং অদু চহী মঙাদি হিক্তোকপা লৈতনা মতিং লৈনা, অঙম্বা থাক্তা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরকপা অদুনি মীয়াম্না পাল্লিবা।

*অদোমগী - মাইস্নাম সুরনজিৎ*
*নম্বোল ফোইজিং চীংনিং*

# মালেমঙম্বী লৈমসি নেক্লগা চৈহল্লশিরা?

**ব্রাইরু-ব্রাইরুবদা**



*ঐনা* য়াম থীনা চৈনীংবা নুপী অমা লৈ। ঐনা মাবু চৈনীংলক্লিবা অসি কুমজা ২০১৫ অদুব্রাইদগী ওইরিদ্রা? মৌ নহানি। চৈবা ঙমদনা লাক্লি। চৈরগে চৈরগে হায়না তৌরুবসু মঙারক শুরবনি। মানা শৌ শৌ লাউরক্কদবা অদু খল্লগা চৈবা ঙমদনা লাক্লি।

নহান্দি মীখলগী শেল য়েনবা লাকই হায়। মীৎনদি উহৌদে, তাবগী ব্রানি। মীরেপকী অকনবা ব্রার্করশিং অদুনা শেল য়েল্লগা ভোট পীহন্দৌরিবনি। লুপা ২০০/৩০০ মী অমমমদা য়েল্লি হায়। হরাউনসু লৌনৈ হায়। মীগী মমল য়াম শাথীনা হোংই। লুপা ২০০/৩০০দা হাইথরে। লুপা ২০০/৩০০ পীথোক্লগা নেকপদা য়ারোইদৌবা পোৎ অমত্তা লৈত্রবা মাল্লে। লুপা ২০০/৩০০না ঙা কেজি অমা লৈবা ফংবা নত্তে, খোঙ মোজা অমগী মমল লুপা ৩০০ য়ৌই। অতাঙবা নৎতবা খোঙগ্রাউ অমগী মমল লুপা ১৫০০দগী তাদ্রে হায়বা য়াই। য়ামখিদ্রবা লুপা ২০০/৩০০ অসি মী অমনা পায়বা ঙমলক্ত্রে। হৌজিকসি মী অয়াম্বা লুপা ৫০০ চৎপী উবা ফংদবা কয়া অমনি।

ঐমক চামঙা চৎপী উরক্তবা চহী ফারক্লবনি। চামঙা চৎপী অমা উবদা ঐ মীৎ চপ য়ুংখৎতুনা য়া কারগা লৈরবা মী অমনি। ঐদা নত্তনা ঐখোয়গী লৈকায়গী মী অয়াম্বা চনী চৎপী অমত্তা পায়জগে ফংদ্রে, চামঙাদি লায়রি। লুপা ৫০দা পুগে, লুপা ১০০দা পুগে হায়না কোয়হং হংনৈ। মসিগী লৈরিবা থাক অসিদা, ফীভম অসিদা মীয়াম অসি লুপা ১০০/২০০দা লৈরগা ভোট থাদহনবা লায়না ঙম্মী।

ইহে। ব্রাকোয় শূদুনা লৈরম্মে। ঐনদি চৈদি চৈনীংঙগা মতম অসুক কুইবসি চৈবা ঙমদনা লৈরক্লবী মৌ নহা মালেমঙম্বী (মালেম ঙানবী নত্তে) হায়বী অসি লুপা ২০০ দং চোংথাম নিমাইচান্দ বাবুদা পীথোক্লগা মতিক চানা চৈথোকহল্লসিরা? নেক্লগা মী চৈয়ু য়াগদৌবী য়াগদবা মী য়াম্না লৈরে। ঐনা চৈহনগদৌরিবা মী অদুদা অপাম্বা মতাংদা চৈহন্নবা চে অমদা ফজনা ইথোক্লগা লুপা ২০০গা পীশিল্লগদি অদুম থবক থোক্লনি খল্লি।

ঐনা মালেমঙম্বীবু অমুক্তা পেন্না চৈনীংবগী মরমদি অতৈ করিম নৎতে- মানা ফোন দা ঙাওবসিনি। মানা ফোন্দা ঙাওবদা নত্তনা মাগী মচানুপী হৌজিক প্রী-নসরি কাবী অসিমসু মাগা চপ মান্ননা ঙাওরে। মানা মপাম চৎপদা পুগে য়াদ্রে হায়রি, ফোন থনম্মু য়ূমদা লৈহৌরগে হায়রে হৌজিক্তি। মচানুপী অসি স্মার্টফোন অমা পীরম্মগা য়ূমদা থনম্বদা পুখ্রিদা তারোইদৌবগী ফীভম য়ৌশিনখ্রে। পীক্ল-পীক্লবা মমীৎতা পাঙথোরকপদা ঙায়রিঙৈদা মোবাইল ফোন্দা লায়চুবা মরোল থোকফাৎত্রিবা অঙাং য়ামশিল্লক্লে। মসি মাই মালেমঙম্বী হায়বী মৌ নহা চেঙজঙবী অসিনা থোকহনবা ঙাক্তনি।

ইরৈবাক কনগে হায়রবদি লাইরিক হৈবা, হীরম অমদা হৈবা শিংবা শোয়দনা চঙলমদৌ মাল্লি। মতাং মতম লৈরিঙৈ, মতাং মতম চারিঙৈদা হৈহৌবা তমশিলহৌবা তাবনি। অদুবু মোবাইল ফোন্দা, মোবাইল ফোন্দা ওনলাইন গেম শান্নদুনা মতম মাঙহন্দুনা শেল মাঙহন্দুনা লৈরবা হিংনা হিংনা শিবগা চপ মান্ননা প্রদক্তিব ওইদ্রবা নাউ শারবা নহা কয়া ইরমদম অসিদা লৈরক্লে। মখোয়না ফমুংদা লোংনা হিপ্তুনা মোবাইল গেম শান্নদুনা লৈশিনখিবা অসি ঐখোয়গী লমদম অসিগী সাইন্টিষ্ট, ডোক্তর, ইঞ্জিনিয়ার কয়া থোরক্তনবগী মরম শোয়দনা ওইরম্মোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিদনি ঐনা মালেমঙম্বীবু য়াম্না থীনা হেক্তা চৈজনীংলিসে। পাম্মুখ্রেদা ওন্থোক্লা কান্নজগদবা কোক কয়া অমা অনম অহা চুদুনা লৈখিবা হায়বসে। মাগী অদুক পীক্লিবা মচা অদুবু অনম অহা হান্না চুবা তম্বীরে। অদুগীনি ঐনা কনানো অমদা লুপা ২০০দং পীথোক্লগা মাবু অমুক্তং থীরেমখৈ চৈহন্নীংলিসে।

# পুব্রারী শাগৎপা ঙম্লক্তবা কুইরবনি

**নবকুমার ওইনা**

*মালেমসিদা* অওনবা পুরকখিবা মীয়ামগী ব্রারী খুদিং লমদম অসি য়ৌরকখ্রে। থবক ওইনা পাঙথোকপা য়াবা কাঙলোন অমত্তা লমদম অসিদদি মায় পাক্লা চথবা উদ্রি । মদুগী মরম ময়াম লৈরমগনি। মায় পাক্লবা হোৎনদবদি নত্তে, থবক তৌরিবগী মওং চুমদবা নৎত্রগা খঙবা-হৈবা ব্রাৎপগী ওইবসু য়ারিবনি। মী য়ামদবগীনি হায়গদৌরিব্রা। ঙসি ফাওবা পুব্রারী অমা ময়েক শেংনা থম্বা ঙম্নদ্রি, কদোমদা চৎলি হায়বসু ময়েক শেংবা ঙম্নদ্রে।

খুনফম তোঙান-তোঙান চোয়না লৈরিঙৈদা পুনশিনবা ঙমখিবদু অরায়বা ওইনা লৌবদি য়াই, মতম অদুগীদি অচৌবা খুমাঙ চাওশিনবা অমনি। লান মচা-মচা ময়াম অদুনা পুব্রারী ওইরকখিবনি। ঙসিসু লান কয়া মখা চথরি, লাল্লোংদি নোংমা-নোংমগী হোংলক্লি। মালেমগী হৌখ্রবা লান অমগা হেক্তা মান্নগনি হায়বদি লৈতে। মী খেন্নৈ, লৈবাক খেন্নৈ, মতম খেন্নৈ, নুংশিৎ খেন্নৈ। লমদম অসিগা চানবা কাঙলোন অমা পুথোকপা অমসুং মায় পাক্লা অদুম চথরিবা থৌশিল থৌরাং অমত্তা লৈখিদ্রি। লান হায়বসি লৈবাক অমা শাগৎপা ঙম্নবনি, কেবাক থোকপা পান্বদগী মাঙহনখিবা লৈবাক ময়াম লৈখ্রবনি। মফমসিদনা ইশানা ইশা ফাওবা খঙবা-উবা ঙম্নদ্রি।

চহী ৪০০গী মমাঙ ফাওবা পুনশিন্নদুনা লাকখ্রে, চহী ২০০গী মমাঙদি তোৎশিন্নবগী অব্রাবা কয়া নংখ্রে, নাট ফাওবা থুগায়বা হৌখ্রে, চহী ১০০গী মমাঙদা মীনাই ওইবা হৌখ্রে। ঙসিদি লৈবাক অমা ওইনা পাল্লম্বগী ব্রাখল লৌশিং পুম্মাং মাঙখ্রে, হৌদোং চিক্ল বগুম, শেন্দাং চিক্লবগুম লেল্লে। অরিবা লাইরিক খরা খোমজিল্লগা শৈরেং থিনদুনা লৈনরে, ইদোম ইদোম লাই শানদুনা চিংখায়নরি। অপূনবগী লম্বী লৈবা নৎত্রি, কেস্নরগুম্না নারবসু লায়েংবগী ব্রাখল য়াওনদ্রি। য়ূম্বুরা, মীনাইরা, পোদোন মখোঙগী হুরানবদুরা খঙনদ্রিবনি। মসিমক হায়রবসু তাবা হৈবা নাকোং পান্নরবা মান্দরি। হায়দা হায়নরগা ব্রাইখু চিক্লবগী ব্রাদা হেক্তা তাগদৌরিবনি। তাবা হৈতবদি ফবু ফরি, ঙাঙবা হৈত্রবদি চৈ চানরিবসি খঙনরিবনি। ঙায়রিবনা ব্রা ঙাঙনদনা থবক তৌনবদুনি, থবক ঙম্বদুনি। হৈনবা তম্নগদৌবনা করিনো খঙনবা নৎত্রি। ব্রাকৎফম খঙবসু নত্তে, ব্রাকৎপা হৈবসু নৎত্রি। ওনশিন-ওনশিন খেত্থনদুনা লৈনরিবা অসিনি। অমনা অমবু শিংথানবা নত্তে। অখঙবদি য়াওবা মাল্লক্তে, লাইদা লাই মান্নবা চাউথোক্লরি। থবক্তি মানা অমত্তা শূনদবা কয়া য়াওনরিবনি, লাইগুম্না মনম চারগা লেনবা তারক্লি। মী ওইনা পোকপগী থৌদাং লৌবা ঙম্নবা নৎত্রি, অয়াম্বনা থবক শূগনি হায়বা খঙনদ্রি, থবক চিলহাও থিরি, নিংথৌ শানরি। ব্রা লৌনদবা অসিদা মীতোপ্পসু ব্রা লৌবিরক্তবা মাল্লক্লি। খন্নবা য়াবা ব্রাঙাঙ ঙাঙনদবা, ব্রা খন্নবা ঙম্বগী থাক য়ৌনদবা, ব্রা য়াম্বা য়ামদৌবা শাবা ময়াম মরক্তা চাবা পুবা ঙম্বা কনাবু য়াওনরিবগে? কত্থোকপা ঙম্ববু কয়া য়াম্লবগে? কান্নবা শেন্দোংগী থবক তৌবদি কত্থোকপগী নত্তে। এঞ্জাং লৈনবা পৈশা লৈরগা চাবা পুবা ঙম্লবা কৌবা য়াদ্রি। চেঙ ব্রাল্লগা চাবশিংগী পুব্রারী শাংবা য়ারোই। হিংবা ব্রারবদা পুব্রারীনা কৈদৌনগে হায়বনো? ইশাগী পুব্রারী চুম্না পাবসু হৈতবা, পুব্রারীদা পুমতোৎ তোৎশিন্নরগা করিদবু কান্নবা লৌগে হায়বনো? থায়নগী কোক্লি, ঙসিগী ব্রারীনা পুব্রারী ওইবসু য়ারক্তুবদা মালেমসিদা হিংলুবগী করি কান্নগদৌরি। পুব্রারী হায়বনা কান্নবা লৈররোইদবদা করম্বা পুব্রারী অমা অমুক শেমলুগদৌরিবনো। ইশাগী পুব্রারী শেম্বা হৈজদ্রগা কনাদা তায়নগে হায়বনো? মীগী পুব্রারী মুথৎলগা নুংঙায়বগুম খঞ্জরিবশিংগী পুব্রারী অমা শেম্বা ঙমগদৌবসু লৈতে। তোৎশিন্নরগা অদুম মাঙখিবদি য়াই, শিংজুদা ঙারি মচেৎ তোৎখিবগুম্বনি। পুব্রারী লৈরবসু লম লৈত্রবদি কমদৌবা, মদু খঙবসু নৎত্রি। পুব্রারী মুন্নবা য়াওনরক্লি, পুব্রারী মুৎখ্রবদা করি লেমহৌবা খঙনবা নৎত্রি।

লমদমসিদা লান কয়া থেংনখ্রে। লানশিংদুগী ফিদ বেগ করি ওইনা নৈনখ্রবগে? মীনা লান তাশিল্লকপা ঙাকথোকপনা অয়াম্বনি, লান তৌরগা লৌশিল্লম্বনি হায়বা লম অমত্তা লৈতে। মীনা লৌখিবগী ব্রারীদি ময়াম্নি, মায়কৈ খুদিংনি। পুব্রারী ফাওবা ইফোং-ফোংনা মুনখিবা মাল্লক্লি, লমগী মমিং ফাওবা চুমদ্রিবসিনি। ঙসি ফাওবা পুনশিন্নবগী মহুত্তা থুগায়বনা হেঞ্জিল্লক্লি হায়গনি, পুনবা হৈতবগীসু মাল্লক্লি। পুনবা মাল্লবসু পূক্নিং ব্রাখলদা মপূং ফানা পূনবা ঙমদ্রিবগী মরম ময়াম লৈগনি। পূনবা য়ানবগী মরম ময়াম লৈতবদি নত্তে। মণিপুর কৌরিবসিমক পূনবগীনি হায়গদৌরিব্রা, পূল্লম্বদু থুগায়খিবনি হায়গদৌরিব্রা। ফোংনা ঙাঙনবসু তাদ্রি, ঙাঙনবসু হৌবা মান্দ্রি । মুন্না খন্নবসু হৌদ্রি হায়গনি, খন্নবদা য়াওবা য়াবা মীনা কয়া য়াম্লবা খঙবা নৎত্রি। য়েৎনরিবশিংদি ব্রা খন্নবদুদা য়াওবা য়ারবনি হায়বা য়াখিরোইদৌরিবনি। ইশানা হায়রগা য়ারবা নৎত্রি, ব্রাখলগী থাক্লা লেপচরক্কদৌরিবনি। খোংলিবা-লাউরিবা ময়ামসিনা অদুম তাক্লক্কনি হায়নবসু লৈরিবনি। লুরিবদি মদুদা য়েৎনদুনা লৈনরিবসিনি। য়েৎনবা হায়বসি থবক হৌরবা নৎত্রি। ফৌ খপ্পগা চেঙ খৈবগা খেন্নৈ, তারিবা মখোলসি খপ্পগী মখোল্লা, খৈবগী মখোল্লা অতাবশিংনা অদুম খঙলক্কনি। মাল্লগা তোকখিবশিং লীলা হৌরবনি হায়বা য়াখিরোই। য়েংলিবা উরিবশিংদগী হিংবা ঙম্নবগী মরম হংবা তোক্লবদি অচুম্বা অফবা শক্তম শাগৎপদা মপূং ফাবা ঙম্লোইদৌরিবনি। হোৎনবা লেপ্পদি মান্দে, খোঙথাং শোয়বগী খোইচাক ওইনা অসুম মাঙশিল্লক্লবদি চনিং তানা খন্নবগী তঙাইফদবা লাকই হায়বা খঙনফম থোকই। মদুমক খঙনদবা তারবদি থবক চুম্না তৌরিবনি হায়বা য়ানরক্তবসু য়ারিবনি। মায় পাকপগী থাজবসু থম্নরক্তবা তারবদি মদুগুম্বদুমক্লা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদুমক মাঙখ্রবনি। মাঙগদৌবা খঙদ্রবদি তোংগদৌবসু খঙলোই। মী মাঙখিবা য়াই, মিংচৎ মাঙখিবা য়াই, পুব্রারীসু মাঙখিবা য়াই (লৈরমদবা পুব্রারী শাগৎপা ঙম্নরিবনি) লম মাঙখিবদি য়াদবনি। ঐখোয়গীনা লম লৈরমদ্রবদুনি, পুব্রারী লৈরমদ্রবদুনি, ব্রাখল চুম্বা মী লৈরমদ্রবদুনি। থাজবনা মরু হুল্লগা হৌবা হৌরকপগা মান্নরিবনি। অরেপ্পা শক্তম পীবা ঙম্নদ্রিবনি।

থবক অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মী চঙই, মী খোম্বা হৈত্রবদি থবক তৌদে হায়বনি। চোংশিল্লগা মাঙ থাজিনবদি মী খোম্বা নত্তে, থবক্তু মুনবনি, মী ইন্থোকপনি, থবক থুগায়বনি। লমদম অসিগীদি মদুমক চৎনবীনি থাজনৈ। কাঙলূপ খায়দোক্লগা ইন্থোক্লরুরিবনি, মদুমক্লা লৈবাক থুগায়বা ঙম্লিবনি। লমদমসি লৈবাক মুন্নফমনি, মিং মুন্নফমনি, কাঙলূপ কাঙলূপ হাৎনফম্নি, ফম মুন্নফম্নি। মুন্নরিবা ময়ামসিনা শাগৎপা পাল্লিবা লৈবাকসি করম্বা মওংগী ওইগদৌরি খঙনরবা নৎত্রি। রোবোটকুম্বা ময়াম শারগা মী মশীং হেনগৎপসি ফেক্টরিগুম্বদা য়াবগী ব্রানি, লৈবাক অমা শাগৎপদদি য়াদে, খুন্নাই অমা শাগৎপদদি রোবোটনা য়ারক্তে, রোবোট মানবদগী ব্রায়াম থোক্লরিবনি। খুন্নাই অমগী মীয়ামদি মী অমনা হায়বদা হেক্তা থাজবা য়াদে, মশাগী ব্রাখল খনবা ঙম্বা ওইগদৌবনি, কম্মান্দ অমগী মখাদা অদুম লৈগদৌবসু নত্তে। রোবোট মানবা মীয়ামগী খুন্নাইদি অদুমক শিথরকপা মশানা তারকইবনি। মীওইবগী খুন্নাই অমা শাগৎপা ঙমদ্রবদি লৈবাক অমা শাগৎপনি হায়বসু য়ারক্তে। লৈবাক অমগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়াগী অপূনবা খুন্নাই অমা ওইনা শাগৎপা তারি। মদুমক তৌদবা য়াদবা অমা ওইরি, মদুগীদমক শিনবা-লাংবা হৈবা তঙাইফদনা চঙই। ব্রাখল্লোন অদুমক মপূং ফানা শাগৎপা চঙইবনি। ব্রাখল্লোন অদুদা মপূং ফানা থাজবা থম্নদ্রবদি শাগৎপসু মপূং ফাবা ব্রাগদৌরিবনি। থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মীপূম খুদিংমক্কী ব্রাখল লৌশিংদা ব্রাফম অসিমক তম্বীবা তারকই। মদুমক তৌদ্রবদি লৈবাক অদু লৈবা ওইথোক্তে হায়গনি। লৈবাক অমা লৈবা হায়বসি লম অমগী লৈমায়দা লৈগদৌবা ওইরমদ্রে, লম অদুগী মপূ ওইরিবা মীয়ামদুগী কোক্তা লৈগদৌবা ওইরম্লে। মীয়ামদুগী কোক্তা লৈত্রবদি লৈবাক্তু হেক্তা মাঙখিবা য়ারিবনি, মাঙনখ্রিবনি। কোক হান্না শাগৎকদৌবনি।

মমাঙঙৈদগী মীয়াম অমগী থাজবা শাগৎনবা লাই হায়বসি শীজিন্নরক্লিবনি। পিক্লিঙৈদগী লাই থাজহনবনা মীয়াম অদুগী থাজনবী অদু শেমগৎপদা মপূং ফাবা থৌদাং লৌনরম্মীবনি। লুচিংবশিংনা লাই ওইনা এক্ট তৌনরম্মীবনি। ঙসিদি লাই য়াম্লকপদগী লাই অমগী লৈবাক অমা হায়বদু য়ারকখিদরে। লাইনীংশিংগী মরক্তসু লানগী অঙম তান্নবদু চঙশিল্লকখ্রে। লাইনীং মুখৎলগা লৈবাক থুগায়বা, লাইনীং তোৎশিল্লগা লৈবাক চায়খায়বা ঙম্নরক্লে। মসিমক খঙদ্রবদি চায়খায়খ্রবা খুন্নাই অমা অমুক খোমজিনবা অরায়বা ওইরোইদৌরি। মশাগী লাইনীং ফাওবা কাউখ্রবা হায়বসি অমুক খোমজিনবা ব্রাবা মশানা তারকপনি। মশাগী লাইনীং খঙজদ্রবা হায়বসি মশা মশক খঙনদ্রবা হায়বদু ওইরক্লবনি। অমুক খোমজিনবা য়াদবসু য়াওগদৌরিবনি। নাট অমা শাগৎপদা লাইনীং চঙই, খুন্নাই অমা শাগৎপদনা নাট অমা চঙই। লৈবাক অমা শেমগৎপগী নাট ময়াম অমা ঙাকশেনবা তারক্লি। মদুমক অপূনবা পুব্রারী অমগী শক্তম ওইবা তারক্লিবনি। মদুমক খঙদবশিংনা পুব্রারী অমগী খ্বাংদা য়ানবা নূং ওইবা তারক্কদৌরি। লৈবাক অমগী মীয়ামদা নাট অমা শাগৎনবা ব্রাখল্লোন পীবা মতমদা ব্রাখল-লৌশিংগী পল্লোন কয়া লোন্না নৈনদবা য়াদবগী মতম ওইরক্লিবা অসিমক উবা ফংনবা লৌশিং পীবা তারকই। মী শাগৎপা হায়বসি লৌশিং শাগৎপনি, থবক ওইনা তৌদ্রিবমখৈ লৈবাক অমা শাগৎলিবনি হায়বসু য়াখিরোইদৌরিবনি।

লৈঙাক্কী মওংদি ওইনীংবা ওইসনু, লৈবাক অমগী লৈগে হায়রিবা মওং অমদা অদুম লৈবা য়াগনি। য়ুনিটি হায়বসি লৈঙাক্কী মওংদা লৈতে, পঙবা শিংবদসু লৈতে। ব্রাখল লৌশিংগী থাক মান্নবা, থাজনবা, পুকচেল হোদোক্লবা, লৌথুপ-লৌকোয় লৈনদবা, কত্থোকপা ঙম্নবা, লানবা-চুম্বা য়াওদনা নুংশিনবা, ইমুং অমগুম অপূনবা শাগৎপা ঙম্নরবদি অপূনবা হায়বদু ওইরে। পূনবগা লানবা-চুম্বগা শম্নদে। অপঙবশিংগীসু য়ুনিটি লৈ, মপুক ফত্তবশিংগীসু য়ুনিটি লৈ। খ্বাইদগী ফরিবদি অশিংবশিংগী য়ুনিটি অদুনি, খ্বাইদগী ফত্তবা অমনা লাইনীংশিংগী য়ুনিটি লৈতবসিনি। লৈবাক অমা শেম্বদা ভোট তৌরিবসি চুম্বা কান্নবা নৎত্রি, লৈবাক ঙাকপগী তৌদবা য়াদবা অমগী ওইবা তাবনি। ভোট হৈত্রবসু লৈবাক শেম্বা য়াগনি, ভোট হৈরবসু লৈবাক ব্রাথোক ওইবা লৈগনি। ভোটনা করিসু তৌগদৌবা নত্তে, মীনা তৌগদৌবনি, থবক খরা খেন্নরবসু থবক্তি মীনা অদুমক তৌগনি। ভোটনা মী খেন্নহনবতনি।

পুব্রারীদি মীনা শেমগদৌবনি, ভোটতা ইন্থোক্তুনা থম্বা লানগনি। অশেংবদি ভোটকা পুব্রারীগা মরী লৈনদে, মীওই খরনা থৈদোকফম ওইনা ঙাঙবা লানগনি। ভোট পীরগা ইলেক্সন তৌনদ্রিঙৈগী পুব্রারী শাগৎনখ্রবনি। লৈবাক নিংথৌ পানবা হৌবদগী পুব্রারী শেম্বা হৌনখ্রবনি। লৈঙাক পাকথোক চাউথোকপা, লৈঙাক কাঙলোন হোংবা, নিংথৌগী মহুৎ মিনিষ্টরনা ওইরকপা পূম্নমক অসিনা পুব্রারীদা চৈথেং পীবা ঙম্মী খন্নরবসু লৈবাক লৈতবা, লোন ফাওবা লৈজদবা পুব্রারী পুবা খুন্নাই কয়া মালেমগী লৈমায় অসিদা শন্দোক্লবা উনরিবনি।

চহী লিশীং লিশীংগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি হায়রবসু চিনখক্তগী ওইদুনা লৈবা, নাট অদুমক শৌগৎপগী মহুত্তা মীরোল লোন্দুনা লৈবা, শিংচেপ থাজিন্দুনা লেনবা পুন্সি কয়া ফোংনা, লেম্না লৈবা ঙম্নরিবসিমক পুব্রারী শাগৎপা য়াওরিবনি হায়বদি নত্তে। মপু ওইরিবা মীওইশিংনা মশীং য়ামদ্রবদা নাট শোন্থরক্লগা পুব্রারী শাগৎপা য়াওরিবনি খঞ্জবসি কানিদগী হেন্না শাথীবা মোন্দ্রং তৌরিবা, দ্রগ চারিবা মীওইনি হায়বা তারক্লি।

পুব্রারী অমগী মপুদি ইপা-ইপুশিংদু নত্তে, মশাগী পুব্রারী শাগৎপা ঙমজদ্রবা খুন্নাই অদুম্মক ওইদুনা লৈরি। মপুনি হায়বা খঙজদবনি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*